# জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোলদা ইম্ফাল ইষ্টনা দি এস এ ককচীং মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম অহুম্না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৬ শুবা জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মায় পাকখিবগা লোয়ননা পোইন্ট অহুম ফংখ্রে।



টিম অহুমনা লীগ শান্নদুনা হয়েং ফাওবা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না দি এস এ ককচীং গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোইন্ট অহুম পায়দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগা চপ মান্ননা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং ওপনিং মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখূৎতা মায়থীখ্রবনি।

হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন অমসুং দি এস এ ককচীংনা অরোইবা লীগ মেচ ওইনা শান্নরগনি। মেচ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা মায় পাক্লবদি চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং দি এস এ ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অহানবা হাফকী শরুক্তা চাং মান্নরপ তৌনা শান্নখি অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং খরা ৱাংনা লৈখিবা মরম্না এটেক তৌবগী চাংসু ৱাংনা লৈখি।

মেচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা দি এস এ ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না য়াংনা শান্নরকপনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা ঐচ দয়ানা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। দি এস এ ককচীংনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোত্থরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

গোল শোত্থরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয় দল্লিয়ু রঞ্জিবলানা টিমদুগী অহানবা গোল চন্দুনা দি এস এ ককচীংগী গোল অমমমদা চপ মান্ননা লৈখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা দি এস এ ককচীংগী ঐচ দয়ানা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

দি এস এ ককচীংনা গোল অমা মাঙজিল থাখিবা ইকান কান্নদনা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা ইম্ফাল ইষ্টকী এম অচৌবীনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চন্দুনা দি এস এ ককচীংগা গোল ২-২ দা লৈনখি।

মায়কৈ অনীমক্না গোল ২/২ চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনিটতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর কসমিনানা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ককচীংদগী গোল অমা মাঙজিল থাখি। গোল অমা মাঙজিল থারিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কসমিনানা অমুক হন্না গোল অমগা অমুক মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল মরি শুখি।

গোল অনী মাঙজিল থারিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মঙাশুবা গোল জান্দননা মেচকী ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টগী এল জুলিয়া অমসুং ৱাই কিরনবালাদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

# ৱাই দি সি সি কৈরাওনা সভেন এ সাইদ অন্দর- ৪৫ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ

য়ুথ দিভলপমেন্ট সেন্তর ক্লব কৈরাও বিত্রনা শিন্দুনা কৈরাও বিত্রদা লৈবা মাইবম লম্পাক্তা চত্থরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ অন্দর ৪৫ কেজি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই দি সি সি কৈরাওনা ৱিন্নর ওইখ্রে।



টিম ১৪ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা জুন ২৫ দগী চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাই দি সি সি কৈরাওনা এস দি সি শমুরৌ গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই দি সি সি কৈরাওনা ত্রোফি ফংখি। মায়থীহৌরবা এস দি সি শমুরৌনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই দি সি সি কৈরাওগী লাইশ্রম তরুনকুমারনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোয় পুখ্রম্বম ওলেন্না বেষ্ট গোল কিপরগী মনা ফংখি। টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) তাওবুংখোক্কী শান্নরোয় এন রঞ্জন্না বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা ফংখি। টি এফ সি লংথবালগী শান্নরোয় ঐচ থোইনা টোপ স্কোররগী মনা ফংখি। ৱাই দি সিনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি অদুগা টুর্নামেন্ট অসিদা এস দি সি শমুরৌগী কোচ থোকচোম ইবুংঙোনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট কোচকী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাই দি সি সি কৈরাওনা এস দি সি শমুরৌবু য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা ৱাই দি সি সি কৈরাওগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা মীকুপ কাংদনা অকনবা এটেক কয়া চত্থখি। ৱাই দি সি সি কৈরাওগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না গোল মথং মথং এস দি সি শমুরৌগী মায়কৈদা চনশিল্লকখি।

মেচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ তরুকশুবা মিনিটতা ৱাই দি সি সিগী শান্নরোয় এল তরুনকুমারনা গোল একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। ৱাই দি সি সিনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোত্থরিবা এস দি সি শমুরৌগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু টিম অসিগী মরক্তা কোওর্দিনেশন ৱাৎপগী মথক্তা ৱাই দি সি সিগী শান্নরোয়শিংনা তপ্না তপ্না লাকশিল্লকখিবা মরম্না এস দি সি শমুরৌনা গোল অমত্তা মেচ অসিদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

গোল মাঙজিল থারিবা ৱাই দি সি সিগী শান্নরোয় এম তরুনকুমারনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় এল জেটলিনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল থংনা থংননা মেচকী ৪১ অমদি ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই দি সি সি কৈরাওগী শান্নরোয় পি ওলেন মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি লোইশিনখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এম এস পি পিগী সেক্রেটরি থোকচোম ভুবন অমদি ৱাই দি সি সি কৈরাও বিত্রগী প্রসিদেন্ট মুতুম মঙলেম্বনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# রোয়েল কপ্তা য়ু পি এস এনা ওল ব্লেক মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ

নোর্থ অচানবীগৈ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (নাদো) না শিন্দুনা অচানবীগৈ অৱাংদা লৈবা নাদোগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা রোয়েল কপ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ু পি এস এনা ওল ব্লেক য়ুনাইটেদ চীংমৈরোং গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ওল ব্লেক সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ৩০ দগী চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা য়ু পি এস এনা ওল ব্লেক গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রবসু মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা ওল ব্লেক য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিং অদুনা হৈশিংবা অমদি বোল পায়বগী চাং ৱাংনা লৈখিবনা য়ু পি এস এদগী গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখি।

মেচ হৌখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈ অহুমশুবা মিনিটতা ওল ব্লেক য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় হেরোজিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা য়ু পি এস এদগী গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখি। ওল ব্লেক য়ুনাইটেদনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোত্থরিবা য়ু পি এস এগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

য়ু পি এস এগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্নবগীদমক লাল্লোং কয়া তৌদুনা হাফ মতুংদা শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৪৪ শুবা মিনিটতা এন উত্তম্না গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং টিমগী অহেনবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাক্লবগীদমক লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা শান্নরকখি। মেচ অদুগী ৫৮ শুবা মিনিটতা য়ু পি এস এগী শান্নরোয় এ জয়েন্তনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

মখা তানা ওল ব্লেক য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা য়ু পি এস এগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ওল ব্লেক য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় প্রেমচান্দদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি।

# ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূনশিনবা মথৌ তাই ঃ গুরবক্স সিংহ সন্ধু



ন্যু দেল্লি, জুন ১১ ঃ

কুমজা ২০১২ কী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী বোক্সিং অসি য়াম্না পার্ফোমেন্স ফজরম্মী অদুবু মসিগী মতুংদগীদি ইন্দিয়ন বোক্সিং ফেদরেসনগী মরক্তা নুংঙাইনদবা অমদি ফেদরেসন সস্পেন্দ তৌরকপনচিংবা কয়া লৈখিবা অসিনা ঐখোয়না হন্দক্তি রিও ওলেম্পিক্সতা য়াম্না শোন্থরে হায়না ইন্দিয়ন বোক্সিংগী নেসনেল কোচ গুরবক্স সিংহ সন্ধুনা ফোঙদোকখ্রে।

গুরবক্স সিংহ সন্ধুনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী বোক্সিংগী ইমুং মনুংদা খৎনরকপা অসিনা ঐখোয় শোন্থরকপনি। লন্দন ওলেম্পিক্সকী মমাঙদা ঐখোয়গী বোক্সরশিংনা চেম্পিয়নশিপ খুদিংমক্তা মেদল ফংদুনা মাঙজিল থানা লাকখি।

এসিয়াদা ঐখোয় নম্বর ৱান ওইখি অদুবু কুমজা ২০১২ কী লন্দন ওলেম্পিক্সকী মতুংদদি ঐখোয়গী ফেদরেশনগী মরক্তা নিংঙাই শংদানবা লৈরকখিবগা লোয়ননা ফেদরেশন অসি সস্পেন্দ তৌরকখি। মসিনা ঐখোয়গী বোক্সিংগী ইমুং মনুং অসি য়াম্না শোন্থরকপনি।

লন্দন ওলেম্পিক্সতা বোক্সর তরেৎনা শরুক য়াখি। মদুদা এম সি মেরি কোমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। মরম অদুনা ঐখোয় হৌজিক অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ঐখোয়গী শিথরক্লিবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং অসি অমুক নৌহৌননা শেমগৎনবা হোৎনসি হায়খি।

# ষ্টেট লেভেল ফোর মেন সোক্কর টুর্নামেন্টতা জি এফ এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ

নরানকোঞ্জিন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন এস য়ু) না শিন্দুনা নরানকোঞ্জিন এল পি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফোর মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জি এস এফ সি মায় পাকখ্রে।

টিম ১৪ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচ অদুদা জি এফ এস সিনা এল সি দি সি গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা এল সি দি সি মায়থীহৌরবসু মেচকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম অহানবা মিনিটতা টিমদুগী শান্নরোয় গ্যানেশ্বরনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। এল সি দি সিনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোত্থরিবা জি এস এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুমশিংনা অমদি কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

জি এস এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নরকপগী হোৎনজমন মহয়না মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা রবিন্দ্রনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ২২ শুবা মিনিটতা রবিন্দ্রনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

অদুম ওইনমক গোল শোত্থরিবা এল সি দি সিগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু গোল হন্দোকপা ঙমখিদে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এল কে সি সি টিম এ অমসুং এস এফ সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা এল কে সি সি টিম বি অমসুং এন এফ সিগা শান্নগনি।

# অফবা ফুটবোল কোচ অমা ওইগে হায়রবদি হোৎনবা কনবা চঙই ঃ জিদেন



মুম্বাই, জুন ১১ ঃ

অফবা ফুটবোল কোচ অমা ওইগে হায়রবদি হোৎনবা কনবা চঙই হায়না মশাগী চহী ৪৩ শুরবা ফুটবোল লেজেন্দ জিনেদাইন জিদেননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অসিদা লৈবা কনাক্যা পেরিসকী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইদুনা উরেপ উয়ুং তম্নবগীদমক মুম্বাইদা লাকখিবা ফ্রেঞ্চকী ফুটবোল লেজেন্দ জিনেদাইন জিদেন্না ৱাফম কয়াসু পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ফোঙদোকখি।

জিনেদাইন জিদেন্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা মহাক্কী ইহান হানবা খোঙচৎ ওইনা লাকখিবা অসিদা অঙকপা কয়া থেংনখিবগা লোয়ননা মশাদা নুংঙাইবা কয়াসু ফাওখি। মুম্বাইদা হেক থুংবদা মুম্বাই সিটি অসি য়াম্না অচৌবা সিটি অমনি হায়বা খঙখিবগা লোয়ননা মফম অসিদা লৈরিবা মীয়াম অসি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। ফুটবোল্লর অমা ওইনা হৌরকখিবা জিনেদাইন জিদেন হৌজিক্তি অফবা কোচ অমা ওইবা ঙল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মিষ্টর মণিপুরগী গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন (অম্বা) না শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা মিষ্টর মণিপুর বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টকী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা বোদি বিল্ডিংগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্কনি হায়রি।

মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্ট ৫০ শুবগী গোল্ডন জুবিলি থৌরম অসিগা মরী লৈননা অম্বানা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা এসোসিএশনশিং খুত্থাংদা বোদি বিল্ডিংগী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া জুলাই থাদা পাঙথোল্লগনি।

হায়রিবা বোদি বিল্ডিংগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা অম্বাদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্টকী বোদি বিল্ডরশিং খুদিংমক্না হায়রিবা খুদোংচাবা অসি লৌহৌনবগীদমক ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন্না খঙহল্লক্লি।

লমদম অসিদা বোদি বিল্ডিংগী ঈহৌ হায়বগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বোদি বিল্ডিংগী পব্লিক এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি ৫০ শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্টকী মাঙওইননা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা বোদি বিল্ডিংগী ঈহৌ অসি খঙহনগনি। মরম অদুনা অম্বাগী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি শিন্নবগী মতমশিং অদু খঙহল্লক্কবনি হায়রি।

# রিও ওলেম্পিক্কীদমক বিকাস কিষননা নিক্সন অবাকাগা থিনগাইনগদৌরি




ন্যু দেল্লি, জুন ১১ ঃ উত্তর প্রদেশকী নোইদাদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএশন প্রো বোক্সিং (এ পি বি) গী রাউন্দ তরুক লৈবা ফাইট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিকাস কিষন্না কেনিয়াগী নিক্সন অবাকাগা থিনগাইনগদৌরি।

রাউন্দ তরুক থিনগাইনগৌদরিবা প্রো বোক্সিং বাউট অসিদা মশাগী চহী ২৪ শুরবা হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বিকাশ কিষন্না অমেচর অমসুং প্রোফেসনেল বোক্সিংদা খোঙ থাংজিল্লক্তুনা লাক্কদৌরিবা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইনবগী-দমক খুদোংচাবা লৌগদৌরি।

বিকাস কিষন্না ফোঙদোকখিবদা মিদল ৱেথ কেজি ৭৫ কী বোক্সর বিজেন্দর সিংহ অসি য়াম্না অফবা অমদি ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী মমিং লৈরবা বোক্সর অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী বোক্সিংদা অচৌবা মতেং কয়া পাঙখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মহাক অসি অমেচর বোক্সিংগীদমক্তদি চহী য়ামশিল্লক্লে। অমেচর বোক্সিং অসি য়াম্না ফাষ্ট ওইবা মরম্না চহী য়ামশিল্লকপা বোক্সরশিংদদি অৱাবা অমা মায়োক্নগনি।

বিকাস কিষননা য়ু এসতা ত্রেন তৌরুরবা মতুং প্রোফেসনেল বোক্সিং অসি য়াম্না অরুবা মশান্না মখল অমনি হায়বা খঙলকখি। ঐখোয়না য়াম্না শক্তি লৈবা পঞ্চ অমা থিনবা অসি স্কোরগীদমক্তা নত্তে। বিজেন্দর অসি অমেচরদা হল্লকপদা চহী য়াল্লি অদুগা মহাক্কী প্রোফেসনেল ওনবদা চহী য়াম্না নৌরি হায়না ফোঙদোকখি।







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com